# কনানসু তানীংলোইদবা ঐগী ৱারী



- এস ইন্দ্রকুমার-

ৱারী লীবা হায়বসি তোপ-তোপ্পা আর্ট অমনি। ৱারীগী মচাক অদুনা ফনা ফবা, মীনা তানীংবা ওইরবসু, লীরিবা মানা হৈত্রবা, ৱাহৈ-ৱাতা-খোন্থোক অদু ফজদ্রবা, মরাশি অমা য়াওদ্রবা - কনানসু তানীংদে। অদুনা, ৱারী-লীবা হায়বা কলা অসি অমনা হেক তৌবা য়াবা কলা ওইদে। এক্সপরিয়েন্স অমসুং লৌশিংনা থন্না লৈরবা মীওই কয়া, মহাক্কী কান্নরবা এক্সপরিয়েন্স'তু মীঙোন্দা স্যের তৌবা হৈতদুনা নৎত্রগা মীনা তানীংদদুনা, অরেস্বদা তাদুনা লৈ। অদুগা, ঙাঙবা-শকপা হৈথোইবা, মীবু হেক্তা তানীংহনবা, তানীংঙাই মচাক্তি য়াওদবা, ওইদ-পাদ-প্রচার তৌবা মীসু য়াম্না লৈ। মশীং য়াম্বসু মখোয়নি। লাইনীং-লম্বী শন্দোকপা, রিলিজিয়স প্রিচরশিং- অচুম্বা অমসুং অরানবা তোৎশিন য়ানশিন্নদুনা, ফত্তববুসু অফবা মালহন্দুনা ঙাঙবা ঙম্বা - অফবা ৱারী লীবা ঙাক্তনি। করি অমুক হায়গনি - মীগী পূক্নিং ৱাখল অনীমক পূমওন ওলহনবা ঙম্বনি, মপা-মপু-মপুধৌ-পুরেন হাক্তক্তগী থাজনরক্লবা লাইনীং-লম্বী (ধর্ম্ম) দুফাও' হোংহনবা ঙম্লিবনি... চহী লিশীং কয়াদগী য়ূমথোঙ খুদিং লাইগুম লাৎনরক্লিবা মপা-মপু (সনামহী) খুভমদুফাও ফত্তবা-লাই (সৈতান) গী খুভমনি হায়দুনা খোঙনেৎনহল্লিবনি।

অদু য়ৌনা হৈ-শিংবা ৱারী লীবা (ষ্টোরি-তেল্লর) অমদি নত্তে ঐ। অদুবু, ঙসিদি ঐ লীনীংলকই ৱারী অমা। রামায়ন, মহাভারত, খম্বা-থোইবী ইপিক'কী ৱারী নত্তবা। মায় পাক্লবা বিজিনেসমেন - ওন্ত্রপ্রেন্যুর অমগী ৱারীসু নত্তবা, ঐগী ৱারী!

নোক্লিংব্রা? নোক্লিংলমগনি খঙই ঐ। হংসু হংনীংলমগনি - ঙাওরবরা নহাকপু? হীরম অমত্তদা মায় পাক্লবা, মীনা শক খঙবীরবা মীশক অমা নত্তে ঐ। ঐগী ৱারী ইরগা কনানবু পাবীগনি? পাবীদ্রবা ৱারেঙ নৎত্রগা ৱারীদি ইরুবইসু কান্নদে। অদুবু নুংঙাইবা কুম্দো অমা শেমগৎপদা অঙাওবা অমগী নৎত্রগা জোকর অমগী রোলদুসু মথেল অমনি।

নহা ওইরিঙৈ, অঙাওবা ৱাখলগী নোংলৈ নুংশিৎ'না হুমখিদবা নহা পাখঙ অমত্তা লৈরম্লোই। নুংথিলদা মকু মঙ, মঙখিদবা পাখঙ লৈরম্লোই। শকহেনবী লৈশাবী, ফিল্ম-ষ্টার উবদা, মাগী ওইনীংবা ফাওদ্রবা পাখঙ অদুনি অঙাওবা। ঐনা ওইগে খনখিদবা ওফিসর অমত্তা লৈরম্লোই- আর্মি ওফিসর/পাইলোট/আই পি এস নৎত্রগা আই এ এস/সাইন্টিষ্ট... পূম্নমকসিগী মথক্তা বোম্বে ফিল্ম (বোল্লিৱুদ) কী সুপর ষ্টার। দেন্নি দেঙোংপা'নদি ঙম্লগা ঐনা করিগী ঙম্লোইদৌরিবা... মানা করি হেল্লদনা!... লোইনাইদবা ৱাখল ঈচেলদনি - লোংদাউ তাউদুনা শান্নরুবা চুম্না মঙবা মঙ নত্তে। ধর্মেন্দ্রগী থোঙ্গাল য়ৌরুরিবনি... মতমদুগী বোম্বে ফিল্ম ষ্টুদিওশিং - রাজকমলদগী মোহন ষ্টুদিওফাও- ঋষি কেস মুখর্জি নৎত্রগা বাসু চেত্তর্জি উন্নগে চৎলুরিবনি। কনামত্তগা উন্নবা ফংলকখিদে। ফংলকখিদবা নত্তে, উন্নহল্লকখিদবনি। অপাম্বা হায়বসিনা অমনি, পূন্সিনা পীরকপা খুদোলসিনা অমনি। বোম্বে-খোঙচত্তুগী মতুংদনি-ঐগী পূক্নিং-ৱাখলসিদা অচৌবা অহোংবা অমা লাকখিবা, 'বোম্বে ড্রিমস' থাদোকখিবা। অদুবু, লূ-তোংদা চুখ্রবা অপাম্বদুদি মঙ'দুনা মঙলাক্লখিবদা কোকউ য়াখিদে। এগ্রিকলচরেল গ্রেজুয়েট ওইরগা, লৌউ-শিংউ ওফিস'তা শিনফম পায়বই মহুত্তা, য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদা বেঙ্কর ওইনা হিংনবই শিন্থা পায়রকখি। শিল্লম-শিন্থোঙ খঙদবা হায়বদুমক্তি থোকখিবা। শেনবা-থুম্বা-থবক তৌদুনা পূকচাক থাক্লবা শিনশঙ অমদা শিন-পাঙলগা, দ্রামা-সিনেমা-লিটরেচর'দা ঙাওদুনা পূন্সি লেল্লকখি। ইংলিস-লিটরেচর-গ্রেজুয়েট ওইরগা পোষ্ট-গ্রেজুয়েট ওইনবা হোৎনরুবা, শিনফম্না অপনবা ওইদুনা মঙলাক্লখি অমুকসু।

নহা ওইরিঙৈ থাজরুই... ইভ্রিবোদি ইজ এ বোর্ন-জিনিয়স (মীওইপোক খুদিংমক লাইপোক অমমমনি)। মখা তাবা ৱাহৈশিংদুদি নীংশিংখিদে... বট নোবোদি কেন আইদেন্টিফাই দ জিনিয়স ইন হিম (অদুবু, কনানসু মশাদা য়াওজরিবা লাইপোক্কী গুণ অদু শকখঙবা ঙমজদে)। মহয় চাগদবা থবক্তুদি তৌদনা, তৌরোইদবা থবক তৌদুনা লৈরুরগা, অহল মতম ওইরবা, তৌরাঙ ফক্তা ওল্লবা, হেদো নাহে চল্লবা-কান, চিন্তা পোৎলূম পুরকই, ...'নহা ওইরিঙৈ মতমদু কল্লকইদা... তৌগদবা থবক্তি অমত্তসু তৌহৌদেদো'...! মশাদা পীথোরকপা গুণ অদু শকখঙলকপা মতমদদি, মহাক করিমত্তা তৌবা ঙমদরে। ৱাহায়সিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙম্মী মদুদি মী ওইনা পোক্লবা ঐখোয়, চাদা ৯৯.৯দি 'শিনফম ওন্নবা' হায়বা শাথীরবা প্রোব্লেম'দু মায়োক্লদুনা হিংই। মায় পাক্লবা, নুংঙাইবা পূন্সি হায়বদু কনাগীসু শরুক থুংদে। হিংবদা তঙাইফদবা চাংদগী কা হেন্না শেল পায়বা, সনা-লুপা-মরল-মথুম পৈশিন্দুনা থম্বা ঙম্বা হায়বদু 'মায়-পাকপা-নুংঙাইবা-পূন্সি' হায়বদুগী সিম্বোলনি - ঙসিগী মীরোলনা খন্নরকই। ঐহাক্না করি শিনফম পায়রগা, লৈবাক্কী কান্নবা থবক অমা তৌবা ঙমগদগে? কনানসু খন্নদে। 'করম্না শেল পায়গদগে' হায়বদুতনা মীপূম খুদিংমক্কী মঙলান্নি। মীওই খুজোক অমখক্কী মরল'না চীংগুম পৈরগা নেশনল ইকোনোমি'না করিগী লৈখা তারক্লিবা? খুম্বা ৱাবা ৱাহং নত্তে। নঙসু খঙই, মাসু খঙই, ঐসু খঙই। হায়বদি য়াদে। পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিং মায় পাক্লা, শেন্দোং লৈনা চলাইরিবা কয়া মথং-মথং মুথৎলগা প্রাইভেট সেক্টর'দা শিন্নরিবা করিগী? ইন্দিভিজুএল এসেট ক্রিয়েট তৌবদি হৈরগা, নেশনল ৱেল্থ শেমগৎপা করিগী হৈত্রিবা ? নেচরেল রিছোর্স লোইশিল্লগা নেশনল ৱেল্থ শেমগৎপগী মহুত্তা, প্রাইভেট এসেট শেমগৎপদুতনি হৈরিবা।

ইহে! ঐগী ৱারী ইগে কলম পায়রুরগা ৱারেম ঙাঙদুনা লৈরুরে। শেল পায়বা ঈজৎ লৈবা, মায় পাকপা, নুপীনা পাম্বা ওফিসর ওইগে খনখিবা... সিলেব্রেটি-ষ্টার অমা ওইনীংখিবা ঐহাক্না করিমত্তা ওইবা ঙমদনা, চন্নদবা মী-মীনা শকখঙবীদ্রবা অমা ওইনা পূন্সি পিখন্নদৌরিবসি করিদগীনো? ঐহাক হৌজিক তৌরাঙ ফক্তা ওন্দরি, হেদো নাহে চন্দরি, লুতুং খোইবাক শাদরি। কর্নেল সেন্দরস'না মশাগী চহী ৬৫শুবদা, পূন্সিনা তম্বীরম্বা পারা অমা নীংশিংলগা অনৌবা পূন্সি খোঙচৎ অমা হৌখিবা, মায় পাকপা বিজিনেসমেন ওইরকখিবা... চহী হুম্ফুমাপনগী পূন্সি'-এক্সপরিয়েন্স পুদুনা জহাজ অমগী ফম্বাক্তা ফম', খূত্তা শিকি পায়দনা অমেরিকা তান্না চৎলগা ইন্টরনেশনল সোসাইটি ফোর কৃষ্ণ কন্সসনেস লীংখৎখিবা প্রভুপাদ... মখোয়না তম্বীরম্বনি 'পূন্সি হায়বসি চহী হুম্ফুগী তুংদসু পুমনৌ নৌনা হৌবা য়াই। অদুগা, ঐনা করিগী ঙম্লোইদৌরিবা?

তৌগে নীংবা থবক শঙবাই, থম্মোয় থন্না লৈরগসু-হোরেন তৌগে, হয়েং তৌগে খল্লিঙৈ- অমত্তসু তৌহৌদে। হয়েং কৌবা কোরৌসি কৈদৌঙৈদসু লাক্লোইদবা নুমিৎনি, তুমোরো নেভর কমস হায়বা ৱাহায়সি অঙাং ওইরিঙৈদই থেংনরক্লবসু ঙসিতমক ৱাহন্থোক খঙলক্লি। 'হয়েং তৌগে খল্লিবা থবক অদু কৈদৌঙৈদসু তৌরোইদবা থবক্লি' হায়বা পাউতাক পীবা উপনিষদ'কী ৱারী, অঙাং ওইরিঙৈ পারকখিবদু, কৈদৌঙৈদা পূন্সি ফিদমনি খল্লকখিদে। চহী কুন্নিপানগী মমাঙদা ইদুনা থমখিবা ফিল্ম-স্ক্রপ্ট অমা ইশামক্লা নমদনা কনাদসু পীথোক্লোই খন্না নমশিন্দুনা থমখিবা, ঙসিসু লৈরি ৱাখলগী লৈরোন'নুংদুদা। মঙাল মশক উদরি।

ঐগুম্বা, মঙ মঙলগা নুংঙাইজবা, মোন্দ্রং শান্নরগা পেঙ্গবা নহাশিংদা, প্রাইম মিনিষ্টর মোদি'না মঙলাক্লনবা ৱা অমা হায়জিল্লকই... 'নঙগী ৱাখলদা আইদিয়া অমা লৈরবা, মঙ মঙদুনা লৈগনু, থবক হৌ হৌজিকমক (ষ্টার্ট নাও) ... লেপখৎলকউ নরোমদোম (ষ্টেন্দ অপ)'।

অদুগা, অচুম্বা ৱা'সিমদি কনানসু হায়বা ঙমদে-মহাক্লা হায়রিবসি মহাক্কী পার্টিনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংগী, মন্ত্রি' মতুং ইনবা মখোয় খরদুদনি, নপচ-তাংজ' হৈতবা ঐহাক্লম্বা মী-মহা অমদা নত্তে। ●


# নুংশিবগী ইফুৎনা থল্লবা শৈরেং লাইরিক 'ঐবু নুংশিবীয়ু হায়দে'



- তোংব্রম অমরজিৎ -

পূন্সি অমসুং তাইবঙপান অসিবু নুংশিনা উরিবা, য়েংলিবা অমদি পূক্নিং ৱাখল থম্মোয়না পোক্লফম লমদম লমনুংশিবু লাইনীং ওইদুনা লৈরিবা কবিনি রতন থিয়াম। মহাক্কী শৈরেংশিংদা চংখোল্লবা ইমালোলগী ফজরবা ইমেজরিশিংনা শেঙ্গা থন্না লৈহাপ্লবা মশক অমা ইতৎ তত্তনা উবা ফংই। য়াম্না ঙন্না শৈরেংগা ইরোইনদুনা হৌরক্লবা অশৈবনি, ভিজন্নরিনি হায়বা মহাক্কী মমাঙদা ফোঙখিবা শৈরেং লাইরিকশিং অমদি অঙনবা মতমদা পুথোকখিবা শৈরেং লাইরিকশিংনা লেংদ্রবা খুদম ওইরি। 'সনাগী থম্বাল' 'তলা পামেল নহাকসু' 'মাঙখ্রবা সহরগী লোইখ্রবা ৱারী' 'তাবিদ্রবা তেংথাখোল' অসিনচিংবা কয়া মণিপুরী শৈরেংগী পুক্কৈদা মথং-মথং খুদোল তমদুনা লাক্লি। কবি, লাইয়েকপা, ঈশৈ শকপা অহুমসিনা পুল্লবা অতাঙবা পর্সনেলিটি অমনি। মসিমক্লা মালেম শিনবা থুংনা অমুক থিএটরদা মণিপুর কৌবা চীংলৈবাক অমা লৈরি হায়না শক্তাকপা ঙন্নি ওজা রতন থিয়াম্না। মসি মহাক্লা কবি ওইরুবননি। কবিশিংদি মিৎয়েং শাল্লি, তাইবঙপাল অসিবু পাক্লা চাউনা য়েংই, পুকচেল অমদি থম্মোয় চাউনা হিংবা ঙম্মী, মালেমসিগী য়াইফনবা খল্লি, কথোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌদুনা তাইবঙ মালেমদা পাউতাক পাউজেল পীনবা হোৎনবা লেপ্পে। মী অমদা হায়রিবা মগুণশিং অসি লোইনমক চেন্দে। হায়রিবা মগুণশিং অসি চেন্নবা হোৎনবদা ইনোৎ হাপ্লিবসি পূন্সিবু পাম্মুনা নুংশিনা খনবা হায়বসিসু অমনি। মসিগী মথক্তা ইমা লৈবাক পোক্লফম লমদম অসিবু নীংজবা লাৎচবা, মহাক্কী হৌরক ৱারীদা লুপচবা নুংশিজবা অসিনসু পূন্সিদা তৌরু তৌরুবা থবকশিংদা মায় পাক্লবগী লম্বীদি অদুম্মক পীরক্লনি। মীওইবগী পূন্সি লম্বীদি য়াম্নসু তেল্লি অদুগা তেন্নসু শাংই। পলেম ইমাগী সিয়োম্নুংদগী তাইবঙ মালং পানদা অহানবা খোঙদাদুনা লাকখিবা মিকুপ্তা লোয়নরকপা খোইরি নাওফম্না তারিবা, মালেম লৈশাদা অমুক তিল্লিবা অদুগুম্বা পোক্লফম লমদম্বু কবিনা অশেংবা তীর্থনি হায়না তেংথারক্লি থম্মোয় থুম্না লুপ্পদুনা ইরক্লি, 'পিরাংনা লিক্লা ওন্না চোৎহল্লবা খোঙ্গুলদা/লৈ চাইর চাইরগা থম্মোয় পেন্না য়েংজে/মালেম অসিদা সিদগী হেন্না ফজবা তীর্থ লৈত্রে।/ঐগী নুংশিবী ইমা/মশক লেমজবী ইমা/চান্নবী ইমা/মীনোক ফজবী ইমা/ঐবু অমুক্তা কোনবীয়ুবা।" (লা: ৩) পূন্সিগী নম্বো কয়া পোদুনা পন্থুং অমদি পান্দম কয়া ফংনবা মহা দেশ কয়া কোয়না চৎলুরবা, ফজবা অঙকপা কয়া উরুরবা কবিনা পোক্লফম লমদম পলেম ইমাবুসু পোক্লিবী চায়োক নাওয়োক ফজবী, মীয়োক মীচান ফজবী ইমাবুদি কাউবা খক লৈতে। ইমানা নুংশিনা কোনবীবদু খৌরাংনা ঙাইজরি কবিনা। পরেং নিপাল শাংবা শৈরেং অসিদা ইমা লৈবাক নুংশিবগী কল্লবা পূক্নিং ইহুল পূম্নমক লোইনা ফোঙদোক্লি। শৈরেং অসিমক মমিং থোন্দ্রবা পেন্টিং অমগুম নীংথিজে। নুংশিবগী মিং লৈতে হায়বদু শৈরেংসিদা উবা ফংই।

হন্দক ফোঙলিবা কবি অসিগী শৈরেং লাইরিক অসিদা য়াওরিবা শৈরেং ৬৭ পূম্নমক মমিং য়াওদে। য়াম্না তেন্না তেন্না ইবনা অয়াম্বনি। হেক পাবা হৌবদা লোইদ্রিবা ফাওবা পানীংই। ফজবা ঈশৈনা অয়ুক নুংথিল নুমিদাং নাইদনা তাবদা নুংঙাইবগুম শৈরেংগী মহাও অমদি ফজবা পীবা ঙম্মী। 'নিক নিক লাউবা অঙৈংবা ঈশিং/অথোৎপা লৈকানা থকচিনজৈ মথন্তা/নুমিৎতা পাউহোমলুদে অমুক্তা/থক্লা থক্লা ময়াং অসুম কংশিল্লকই/লৈখোক মহাক লেপ্পা ঙল্লক্তে/লৈনা কংলবা য়াংলেন কোনলগা নোম্থরকই/তাইবঙপান মপু মাগী মফমদা খুরুমজৈ/ঐবু লৌশিনবীরো হায়রিমাল্লে।" লাইরিক অসিগী মরিশুবা শৈরেংনি। মীওইবগী পূন্সিনা উরিবা থেংনরিবা পূম্নমক পরাগী মশক ঙাক্তনি। য়েংবা হৈবা উশিনবা হৈবা অমদি চংই। মীওইবগী পূন্সি অমর নত্তে। পূম্নমক মালংদা অমুক তিনখিনি হায়বগী ইঙ্গিৎনা ফোঙদোকপা শৈরেংনি। পূন্সি লৈরাংগুম্না নোংমা লৈখোক লোইদুনা কেনখিনি হায়বসি শৈরেং অসিগী অতোপ্পা ৱাহন্থোক অমনি হায়না লৌবা য়াই।



রতন থিয়াম

লাইরিক্কী মমিং :- ঐবু নুংশিবীয়ু হায়দে (২০২৪)
অইবা :- রতন থিয়াম
অফোঙবা :- একুশ শতক
লাইরিক্কী মখল :- শৈরেং
লমায় মশিং :- ১৩৬
লাইরিক্কী মখুম :- অইবা
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ৩০০/-



থিএটর নম্বো পোদুনা মালেম শিনবা থুংনা চৎলুরবা কবিনি ওজা রতন। মহাক্লা শৈরেংবু মহাক্কী চান্নথোইবী অমগুম থম্মোয়গী পোত্থানফম পূক্নিং ৱাখলগী ৱাতানফম ওইনা লৌজদুনা লাকই হায়বা তেল্লবা শৈরেং অসিদা থেংনবীগনি। "ঐগী অহাঙবা নঙ্গনসিদা/নঙগী খুদোম্বীনা শৈরেং অমা ইরকউ/ঐ শোয়দনা পাবা ঙমগনি।" (লা: ১৩) শৈরেংসিদা য়াওরি মীওইবনা ৱানা থিরিবা নুংঙাইবা। শৈরেং পারগা অমদি তারগা কুম পুরবা অনাবনা তুলসি মনা অমা চাবদা ফবগুম নুংঙাইবা পীরি হায়বা শৈরেংগী পরেং খরসি পারুবদা ফাওরকই। পরেং অহুম্না শাবা শৈরেং হাইকু হায়না খঙনবা জাপানদগী হৌরকখিবা অদুগুম্বা মখলগী শৈরেংগসু নকশিন্নে। মসিগী মফজা মখল অমসু অদুমক লৈরি।

তরেৎশুবা শৈরেংদা ফজরবা ইমেজরিদা ইরক্লিবসিদা য়াওরিবা ফোক এলিমেন্টসি ওন্থোক্লা ফজখ্রে। "ফুঙ্গা অমা।/নুংবীগী চফুদা বুদুং বুদুং শৌই/নীংশিংবা থৌদোক ময়াম পাথরকই/শীঙ মথক্তা পিরাং শিন্থৈ/হৌজিকসু উৎ মনুংদা ফুমদুনা থমখিবা/অরোইবা ৱারীদুদি মুনদ্রি।" (লা:১৫) শৈরেংগী তেল্লবা পরেং অমমমদা ফুমদুনা চেল্লিবা নুংগী ৱাহন্থোকসি অহুম মরিরক পাদুনা য়েংবীয়ু। শীঙ মথক্তা শিন্থরিবা পিরাং অসি কনাগী ওইগনি হায়বদুসু নৈনবীয়ু। ফুঙ্গা অমা হায়রিবসি মৈ হৌফম ফুঙ্গা লাইরুদু ওইনা লৌবসু য়াই অদুগা ফুঙ্গা অমা হায়বসিনা ইমুং অমা ওইনা ৱাহন্থোক পীবসু য়াই। শৈরেং অসিদা উরিবসি মণিপুরনি হায়দবসু ঙম্লোই। শীজিন্নরিবা সিম্বোল অমদি ইমেজরি অচম্বা নত্তে। উৎ মনুংদা ফুল্লিবা অরোইবা ৱারীদুদি ঐখোয় ঙাইখিবা তারি।

নুংশিবা হায়বসি য়াওদনা শৈরেং ইবা য়াদে। নুংশিবা হায়বসি য়াওদনা হিংবগী ৱাহন্থোকসু থিবা খঙদে। নুংশিবা হায়বসি লৈতবদা মালেমসিসু লৈকংলাগুম্না ইহাঙ হাঙলমগনি হায়বসিদা থাজদুনা হিংলিবা কবিনা ইরক্লি, "ঐনা ইবা শৈরেং ৱারেংদা/'নুংশিবা' হায়বসিমদি শুকয়াও য়াওহনলরোই/হায়দুনা থম্মোয়নুংদা নুংজাও ফুমদুনা/চপ য়ুংনা লেপ্পুরবনি/অদুগা মানা থোঙনাওদগী হেক্তা কৌরকপা।" (লা: ২১) শৈরেংগী লাইরেম্বীনা ইথিল পীরকপদা, থৱায়গী লৈরাংনা লেপ্পরবদা ইদবা য়াদে! থাদবা য়াদে কোলোম কবিনা অদুনা ইরক্লি লেপ্তুনা নুংশি শৈরোলশিং।

পূন্সিগী নুংশিবা নুংঙাইবা অমদি চমফুৎকুম্না খোইথুম্নবা মহাউদি খুঙ্গংগী পূন্সিদা হেক হেক উবা ফংলি ঙসিসু। চাওখৎপগী লম্বেলদা য়াঙনা চেল্লিবা মীওইবনা লাইরিক হৈবা খঙবা হৈবা হেল্লকপগী মতিক চেকপলদি অসুম লেপ্তুনা ৱাংখৎনরক্লি। ইতোমতা নুংঙাইরগা লোইরে খন্নরকপা লৈবাক্কী খুন্নাইগী ৱাখল খনবদি মাল্লগা পূন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল ময়েং তারক্লবা মতমসিদা কবিনা ইরক্লিবা শৈরেংসি পাদুনা য়েংবীয়ু, "ঐখোয়গী লৈরক চঙফমদা/খোংনাং পাম্বী অনী/খমব্রাংননা হৌরম্মী/মখোয় য়ান্থৎখ্রে।/ঐহাক ঙসিসু চঙফম খঙদনা লৈরি।" (লা: ২৫) অরিবা ভেল্যুস পূম্নমক মমল লৈতনা খন্নরক্লবা মতমসিদা শৈরেং অসিনা পীনীংলিবা পাউজে লসি পাবীয়ু। কয়া ফজরিবনো হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন নৈনবীয়ু। খোঙনাং অসিমক সিম্বোলিক এক্সপ্রেশন্দা ওইনা লৌবসু য়াই অদুগা ইচম চম্না তলা পামেল অমগুম্না খনবসু য়াই। অদুবু পীনীংলিবা হায়নীংলিবা পাউজেলদি মমল য়ামখ্রে। অরিবা য়ূম অমগী ৱারী থিরকপদা কোন্থোং থিবা খঙদনা ককঙাওনবগুম্বনি কবিনা মসিদা ফোঙদোক্লিবসি।

হৌজিক্কী নে তাদ্রবা, হিংবগী ৱাহন্থোক থিবদা অমম্বদা খোঙ থাংবগুম নুংঙাইফম লৈত্রবা লৈবাক খুন্নাই অসিদা কবিনা ইরক্লিবসিগী ৱাহন্থোক অসি অমুক্তং পাবীয়ু। কবিনা হায়রক্লি, "হুগী খৌরাংবসু লৈ/হন্না হন্না থকনীংই/মী ময়াম কৈথেলদা/হু লৈবা থোরকই/মখোয়না মমিং কাউই/অদুগা নুংশিবা পীয়ু হায়রকই।" (লা:৩৩) হুগী ইমেজরি অসিনা পীরিবা ৱাহন্থোকসিনি ফজরিবা। পূম্নমক হু ওল্লক্লি। অদুনা ৱাখল লাকপা মীকুপ্তা থিরক্লি নুংশিবা। নুংশিবা নত্তনা মালেম অসিবু কন্নবা অতৈ পাম্বৈ লৈরোই হায়বদু ফোঙদোক্লি।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা অতৈ শৈরেংশিংসু ফজরবা থিম কয়াদা অমদি মতিক ময়াই চেল্লবা ইমেজরি কয়াগা লোয়ননা ইবা থেংনবীগনি। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা শৈরেংগী মীংথোদি অপাবশিংনা লেপ্পীয়ু। শৈরেংগী মহাউ খঙনিংবশিংদি লাইরিক অসি পাহঞ্জনিংই। ●

# লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দা ৩শুবা কালেন আর্ট এগজিবিশন ২০২৫ # ২

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

লোক্তাক পাৎ অসি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদদি থুমহি চেন্দবা খ্বাইদগী চাউবা পাৎনি। পাৎ অসি কিলোমিটর ৩৫ রোম শাংই অদুগা অপাকপনা কিলোমিটর ১৩ মুক পাকপা পাৎনি। পাৎ অসিগী অরুবনা ফিট ১৫.১ লুবা মফম য়াওরি। নোংজুথা মতমদদি লোক্তাক অসি স্কৱার কিলোমিটর ২৮৭ পাক চাউই, ঈশিং ঈচাও মতমদদি স্কৱার কিলোমিটর ৫০০ ফাওবনা কোনবা লম ফাওবা শন্দোক্তুনা নম্বোল নাওরেম ফাওবা পাৎনা য়ৌশিল্লক্তুনা ইশম শম্নহল্লি। বিষ্ণুপুর বজারদগী মমাঙ পাংনা তৌবুল লম্বীদা সুম চঙশিল্লগা নম্বোল তুরেলগা নম্বুল তুরেলগা অনীগী ইতিনফম মফম অদুনি কারোং হায়না খঙনরিবা। মফম অসিদা য়োৎকী থোং অমা লৈ, থোং অদু লাল্লগা সুম মমাঙ পাংনা লাক্লবদি ময়াং ইম্ফাল বজার তারকফম্নি। নম্বুল অমসুং নম্বোল তুরেল অনীনা ইতিন্নরবা তুংদা খা পাংনা চেন্থখ্রিবা ঈচেল অদুনি ঐখোয়না য়াঙ্গোই তুরেল হায়রিবসি। য়াঙ্গোই তুরেল অসি লোক্তাক পাৎতা তাবা ইশাই মাপনগী মনুং চল্লি। লোক্তাকতা তাবা ইশাই অতৈদি ২) মোইরাং তুরেল ৩) হন্না খোং ৪) ইরুম্বী তুরেল (নরানসৈনা) ৫) পাখঙ খোং (ফুবালা) ৬) লমঙানবী তুরেল (থিনুঙ্গৈ) ৭) হেন্তাক খোং (নিংথৌখোং) ৮) থোংজাওরোক ৯) খোরিদাক মরীল (খোর্দাক) অসিনচিংবনি।

কারোং হায়রিবা মফম অসিদা তুরেল অনীগী ইতিনফম অদুগী মনীং থংবদা লৈরিবা থোং অদুগীনা মখোঙদা য়াঙ্গোই নিংথৌগী লাইশঙ অমা লৈ। লাইশঙ অদুগী অৱাং থংবদা হীদেন অমা লৈ। হীদেন অদুদা শজিক ফাল্লুরগা হীপোৎ থন্না য়াওরবা মরম মোকপা হীহোনবা কয়ানা হীদেনদুদা শজিক য়োনবা উরকই। ষণ লোয়দুনা শঙ্গোমগী ফার্ম তৌবশিংনা মফমদুদগী শজিক লৈবা লাক্লে। শজিক ফাল্লুবা হীহোনবা কয়ানা পরেং-পরেং তম্না য়াম্না তাম্না হোনগৎলক্লিবশিংদু য়োৎকী থোংদুগী মথক্তগী উবদা ওন্থোক্লা নুংশিখ্রে। য়াঙ্গোই নিংথৌগী হেক মনীংদা লাইশোই পাৎ কৌবা পাৎ মচা অমসু লৈ। মনীং পাংনা খরা চৎলগা অদুম তৌবুল কৌবা খুঙ্গং অদু লৈ। ঐনা নহা ওইরিঙৈদদি শা উচেক লোয়বদা ঙাওজরকই। মরমসিনা নীংথমথাদা তৌবুলদা য়ারেক্তুনা লৈবা য়াওখি, উচেক কলেক্সন তৌনবা। মীরমদগী পাইরকপা উচেক কয়াবু লাং থাক্তুনা ফাবিরবা তুংদা য়োন্থোক্লবা কৈথেলদা পুরকপা উচেকশিংদগী অপাম্বা উচেক য়াওরবদি লৈদুনা পুরক্লগা য়ূমদা লোয়রম্মী। ঙসি ফাওবা নীংশিংলিবা উচেক খরদি উপ্রাই, উমু, উরোক, ঙানু থঙ্গোং, তিনগী অসিনচিংবনি। লোক্তাক ইমাগী মশাইকোনসিদা ঈশিংদা চাক্তাবা উচেক মখল ৫৭ রোম লৈ। নীংথমথাদদি মীরমদগী পাইরকপা উচেক মখল ২৮মুক লোক্তাক্তা চাক্তাই। মরুওইবা খরদং পল্লবদা ১) উথিৎ/উপুম (little grebe) ২) কামজোংবী (great crested grebe) ৩) ঙানু থঙ্গোং (brahminy shelduck) ৪) তিনগী (lesser whistling duck) ৫) শুরিট (common teal) ৬) তাওথ্রা (gull) ৭) মৈচুংঙা (northern paintail) ৮) ঙানু খার (northern shovellor) ৯) থোইনিংনম (gadwall) ১০) সনা ঙানু (mandarin duck) লোক্তাকী খা থংবা শরুক্তা লৈরিবা কৈবুল লমজাও হায়রিবা মফম অসিদনি মালেমগী মফম অতৈদা ফংদবা য়ারৌ শজি সঙাইগী ময়ূম ওইরিবা। হায়রিবা কৈবুল লমজাও অসি থাঙ্গগা ফাওনা লম্বী অমা লৈ। কৈবুল লমজাওসিদা লৈবা অতোপ্পা শজি মখল অমদি খরশা হায়রিবা অচৌবা মখলগী শজি অসিনি। মতম অমদা শজি অসিগী মচিশিং অদু মৈতৈগী ইনাক কৈরাক খুনবগী য়ূমগী মাঙ্গোলদা মকোক্কী শরুক অদু খূৎ হৈবশিংনা শারগা থেৎপগী চৎনবী লৈরম্মী। অতাওবা ফুমদি অসিদা হৌজিল্লিবা অৱাংবা ঈ লাং মরকসিদা লম্মোক (wild boar) সু অদুম লৈ। য়ারৌ শজি সঙাই অসি মমাঙঙৈদদি চীংদা লৈরম্বগী রেকোর্দ লৈ। শাদানবশিংনা তোয়না হাৎনবা হোৎনবদা মথ্বায় হিংনবা কৈবুল লমজাওদা চেনশিন্দুনা লোৎতুনা লৈখিবদগী য়ারৌ শজি অসিগী হিংবদা চপ চাবা মফম অমা ওইখিবদগীনি ঙসি কৈবুল লমজাওদা সঙাইগী ময়ূম ওইখিবনি। খৃ: ১৮৯১গী এঙলো মণিপুরী ৱারদা পুখ্রম্বম কজাওনা তানা লেংদুনা হাৎপীখ্রবা মতমদুগী বৃটিশ পোলিটিকেল এজেন্ট Mr.Frank grimwood কী লোয়নবী Ethel st clair grimwood না লোক্তাকতা শাদানবা চৎপদা য়ারৌ শজি সঙাইনা মখোঙ মরি ফন ফন চোংখৎলগা চেনবোই লাকপোই তান অমদা চোংখৎ চোংখৎ চেনবা উবদা য়ারৌ শজি সঙাইবু দান্সিং দিয়র হায়না থোনবীরম্মী।

লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন অসিদা তাংদুনা হিংলিবা অকোয়বদা তারিবা খুঙ্গংশিংনা লোক্তাক অসিদগী হৌরকখিবা নাৎ অমসুং চৎনবী কয়াবু তপ্না তপ্না উনা উনা মতমগী চাওখৎলকপা অহোংবগী শাফূ কল্লবা নুংশিৎনা য়ৈরবদা মাঙথরক্লি ঙসিদি অমুক হন্না উবা ফংলরোইদবা পূন্সিরোল মহিং অদো। মরম অসি লৈবনা তুংগী হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা করম্না, কমদৌনা লোক্তাক পাৎতা তাংদুনা ঙসি ফাওবা হিংবা ঙল্লকপগী পূন্সি মহিং অদু তাক্লবনি, 'লোক্তাক ফোকলোর ম্যুজিয়ম' ম্যুজিয়ম অসি ঐখোয়না থাঙ্গ ঈথিং ফাওরগা, থাঙ্গ খোইরোম লৈকায় থেংনৈ অহানবদা অদুদগী থাঙ্গ তোংব্রম লৈকায় থেংনরে। থাঙ্গ তোংব্রম লৈকায় অসিদনি ম্যুজিয়ম অসিনা লৈরিবা মফম। ম্যুজিয়ম অসি নহা ওইরিবা অইবা হৌজিক হৌজিক্লা শাথৌলূপকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা তোংব্রম অমরজিৎনা মহাক্কী অশানবা মীৎয়েং অমগী মখাদা লীংখৎখিবনি। ম্যুজিয়ম অসিগী কলেক্সনশিং অসি অচৌবা শঙলেন অমদা দিসপ্লে তৌবা নৎত্রবসু, থেন্দুনা থল্লিবা পোৎশক খরা অদুনা লোক্তাক পাৎসিগী মশাইকোনদা হিংজরিবা কয়াগী হৌখ্রবা পূন্সি মহিংবু নীংশিংহল্লি। ৱাহং কয়া কয়াসু হংহল্লি। ম্যুজিয়ম অসিগী থেন্দুনা থল্লিবা পোৎশক কয়া অসিনা লীবিরি নুংশিরবা ৱারী কয়া কয়া ঐখোয়দা। লীবিখিনি হৌরক্লিবা তুংগী মীরোল কয়াদসু। চাউথোকচৈ ঐনা অমরজিৎকুম্বা মীওই অমা থাঙ্গ লমদমদা পোক্লমদুনা থাঙ্গ অমসুং লোক্তাকপু ওন্থোক্লা লুনা লৌজরিবা। অসিগুম্বা ম্যুজিয়ম অসি লিংখৎপদা ইমুং মনুং হুপ্না চপ মান্নবা ৱাখল্লোন্দা ম্যুজিয়ম অসিবু চাওখৎনবা হোৎনবীরিবা অমরজিৎকী অপোকপা অহোংজাও, অমরজিৎকী পোকমিন্নবা মচিল মনাওশিং অমসুং অপোকপী য়াওনা মতৈমা পূম্নমক্কী থৌদাং চাউই। হৌখিবা কোভিদ লাল্লক্তা ঐনা অহানবা ওইনা কুমজা ২০২০দা ম্যুজিয়ম অসি য়েংবা লাক্লম্বদা ফিশাকোল অমদা ফি শাবা উরকপা অদুসু অহিংবা ম্যুজিয়ম অমনি লৌজরি। অমরজিৎকী মপল অমনা ঙা ফানবা লূ অমা শাবা উরকপদো অদুসু অহিংবা ম্যুজিয়ম অমগী মথেল অমনি।



থাঙ্গ এ সীগী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রোনা লোক্তাক ফোকলোর ম্যুজিয়ম য়েংবা

লোক্তাকতা ঙা ফাবদা মরু ওইনা শীজিন্নবা লূ খরা পনবা তারবদি ১) লূচাউ ২) ঙামু লূ ৩) পোরোম লূ ৪) ঙপাই লূ ৫) সোরা লূ ৬) কবো লূ ৭) খজিং লূনি। ঙা হাপ্নবা পোৎলম খরা পল্লবদা ১) থোপচাউ ২) থোপ ৩) থোপ তাইচেপ ৪) তুঙ্গোল অসিনচিংবনি। হী মখল খরা পল্লবদা ১) ঈনজিং হী ২) লুকাই হী ৩) হীয়াং হীনি। লোং মখল খরা পল্লবদা ১) লোংজাও ২) শামু লোং ৩) পেংবা লোং ৪) হুরু লোং ৫) মুখা লোং অসিনচিংবনি। মথক্তা পঞ্জরিবা পোৎলমশিংসি লোইনা উবা ফংদ্রবসু লোক্তাক ফোকলোর ম্যুজিয়মসিদা খরদি উবা ফংলি। লোক্তাক ফোকলোর ম্যুজিয়ম অসিদা লোক্তাকতা ফংবা এঙ্গাং নাপী কয়াগী পিকচর ওইনা থেৎতুনা থম্বা য়াই। মতম অমদা ফংখিদবসু য়াই। খুদম ওইনা লোক্লৈ, পুল্লৈ, কোমপ্রেক, য়েল্লাং, কেঙোই, কম্বোং, য়েল্লি, হৈকক, থরো, থম্বৌ, থাংজিং। লোক্তাক মপান্দদি ওন্থাক্লা য়ামখ্রে হৌরিবা চাবা য়াবা মনা মশিংশিং। এঙ্গাং নাপী, চাবা য়াবা মনাশিং অসিখক্তংগী ওইবা অপীকপা বোটানিকেল গার্দেন অমসু থম্বা য়াই, ম্যুজিয়ম অসিগী শরুক অমা ওইনা। ●

*(মখা চথজরকখিগনি)*